দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন রিমসকী ব্লদ বেঙ্ককা খুৎশম্নরগা পাঙথোকখিবা ঈ কৎপগী থৌরমদা লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা ঈ কৎখিবা

কোকোমিগী লমজিং মখাদা পিছ এন্দ রিলিফ কম্মিটি, তোপ সিফাই, য়ুম্নাম হুইদ্রোম অমদি থিয়াম লৈশাংখোংনা শীন্দুনা ইমা-ইবেল লিশিং ২ রোম্না পুন্না শরুক য়াদুনা খুৎতা মৈরা পায়দুনা নার্কো টেররিষ্টকী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎলু হায়না লাউখিবা

লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল ইষ্টনা অখন্নবা থৌরাং থৌশিল লৌখৎতুনা এসোসিএসন ওফ মৈতৈজ ইন দ অমেরিকাজ্নানা নিংথৌখোংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লুপা লাখ ১ অমদি কৈরক্তা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লুপা লিশিং ৫০ তেংবাঙখিবা

হৈঙাং অৱাং লৈকায়গী মৈরা পায়বী লুপ মরিগী ইমাশিংনা শীন্দুনা মৈরা রেল্লি চৎতুনা মীওই লিশিং কয়া য়াওনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা মণিপুরদগী অসাম রাইফলস লৌথোকউ, কুকি মিলিটেন্টশিংগী সূ লৌথোকউ হায়বা খোল্লাওশিং লাউখিবা

Organized by :
Heingang Awang Thongkhong Nupi Lup,
Heingang Awang Leikai Womens Welfare Assn.,
SAYA Nisaband,
Leimarol Chaokhat Lup Heingang Thangapat Mapal
In Association with COCOMI

তেংবাঙ চথরি

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস) : প্রোগ্রেসিভ য়ুথ ওর্গনাইজেসন উরিপোক সোর্বোন থিঙেলনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খুন্দ্রাকপমগী নাওরেম বিরহরি কোলেজদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা ফ্রী মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোক্তুনা ইনমেট ১১৫ রোম লায়েংদুনা হিদাক লাংথকশিংলেম্না ফংহনখ্রবা মতুংদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লাংমৈদোং গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পদসু ক্লব অসিগী থৌমীশিংনা চৎতুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমদি নুপীশিংগী তঙাইফদনা চঙবা সেনিটরি পেদশিংসু মতেং পাংখ্রে। মখা তানসু তেংবাঙবগী খোঙচৎ চথখিগনি হায়না প্রোগ্রেসিভ য়ুথ ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি প্রদিপকী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

শেলগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস) : য়ুনাইটেদ য়ুথস ক্লব খাঙবোক্লা খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুল খাঙবোক্তা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা অৱাবা তারবা মীয়ামগী অৱাবদা খজিক্তা ওইরবসু মতেং ওইনবগী পান্দমদা শেলগী মতেং পাংখ্রে। হায়রিবা শেনফম অসি য়ুনাইটেদ য়ুথ ক্লব খাঙবোক্লা কোনবা মফমশিংদা লৈবা মীয়াম্না অঙম-অঙম্বা মতেংগা লোয়ননা পাংবনি। মখা তানসু অৱাবা তারবা মীয়ামদা ক্লব অসিনা মতেং পাংগনি হায়রি।

ৰাকৎ মীফম

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস) : লেপ্পা লৈতনা থা অমা হেন্না মৈতৈ অমদি কুকি মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা থোক্লিবা লাইবক থীবা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ৰাকৎ মীফম ফমখিবগা লোয়ননা অহিং য়ারেক সন্ত্রি তৌদুনা ঙসি ফাওবা লৈকায়না ঙাক শেন্দুনা লৈরি হায়না বলরাম খুল য়ুথ ক্লব এন্দ লাইব্রেরীগী প্রসিদেন্ট অমদি বলরাম মমাঙ লৈকায় মৈরা পায়বী লূপ নম্বোলগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লুপা লিশিং ৫০ তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস) : ক্বাকৈথেল ময়াইকোইবী নিংথৌজম লৈকায়দা লৈবা ময়াইকোইবী দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (এম দি এ) অমদি ময়াইকোইবী নুপী ঈহৌ মরুপ অনীনা খুৎশম্নরগা হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিদা অৱাবা তারবশিংগীদমক তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিংদা শীজিন্ননবা লুপা লিশিং ৫০গী মতেং কদাংবন্দ অপূনবা নহারোল ক্লবতা খুৎশিন্নখ্রে হায়না ময়াইকোইবী দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন ময়াইকোইবী নিংথৌজম লৈকায়গী সেক্রেটরি লোকেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কোপিমদা পাউ ফাওবীরকউ

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস) : কম্মিটি ওন প্রজেন্ট ইস্যু ওফ মণিপুর (কোপিম)না মণিপুরদা ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিগী মতুংইন্না অঙম্বা থাক্তা অৱাবা তারবশিংগী মতেং পাংননবগীদমক হোৎনখিগনি। মীয়াম্নসু মথৌ তাবা কয়া লৈরক্লবসু কোপিমগী রিলিফ টিম লিদর কে ঐচ রমানন্দ, সেক্রেটরি জেনরেল ৰাই ও এফ এফ এসকী নম্বর ৭০০৫৮৫৮১৪৮দা পাউ ফাওবীরক্লবা নীংশিংজরি হায়না কোপিমগী কো-কনভিনর কে সন্তোশকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপ্পুনা অমদি য়ুম মৈ থাদোকপীরকপদগী লাঞ্জেন্নরক্লবা মীয়ামশিংনা চঙজফম লৌদুনা লৈরবা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা অঙম্বা মতেং পাংলকপা অমদি মেদিকেল টিম পুদুনা অনা-লায়েং পাঙথোক্লবগীদমক ফ্রী মেদিকেল কেম্প কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়রি।

থোক্লিবা ঈরাং অসিগী মতাংদা ওপ্পোজিসন পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পুল্লগা ইন্দিপেন্দেন্ট কম্মিটি শেমদুনা থিমিন্নসি : এ আই এফ বি

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস) : কুমজা ১৯১৯দা থোকখিবা জালিয়নৱালাবাদকী মীহাৎ অদুদা মতম অদুগী লৈঙাক্লা শেম্বা ইনক্কারি কম্মিটিগা পেরেলেল ওইনা ইন্দিপেন্দেন্ট কম্মিটি অমা মতম অদুগী ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস অমসুং কোংগ্রেসকী মনুংদা লৈবা পার্টিশিংনা শেমদুনা থিজিনখি। কম্মিটি অনী অসিগী ফাইন্দিংশিং অঙকপা ফংনা খেন্নখি। থৌদোক অদুগী অচুম্বা মরমশিং ইন্দিপেন্দেন্ট কম্মিটি অদুনা মীয়ামদা মরিক চুম্না থমখি। মরম অদুনা হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী মতাংদসু ওপ্পোজিসন পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পুল্লগা ইন্দিপেন্দেন্ট কম্মিটি অমা শেমদুনা থিমিন্নসি। মদুতনা অচুম্বা পুথোকপা ঙমগনি হায়না ওল ইন্দিয়া ফোরৱার্দ ব্লোক (এ আই এফ বি) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী ষ্টেট সেক্রেটরি খোমদ্রাম গ্যানেশ্বরগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঈরাং অসিবু অথুবা মতমদা লাকশিনহৌদবনা মতম শাংনা ভাইওলেন্স থোকহন্দুনা থম্বদগী সোসল অমসুং সাইকোলোজিকেল ইম্পেক্ট য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরে। মসি কুপ্না য়েংশিল্লুরবদি কাঙলুপকী ঈরাং মালহল্লগা করিগুম্বা অরোনবা এজেন্দা অমগীদমক্তা কনাগুম্বা খরনা অতম্না শীল-লাঙলগা চথহনবা থৌদোক্লা হায়না চিংননিংঙাই ওইবা মওং অমদা লাক্লে। নুমীৎ ৩৪ হেল্লবা ফাওবদা সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা করিগীদমক ভাইওলেন্সকী থবকশিং অসি লাকশিনবা ঙমদবনো। সূদা লৈরিবা কুকি লালহৌলূপশিংনা লুচিংলগা ভাইওলেন্সকী থবকশিং চথরে হায়না মায়কৈ কয়াদগী লাউরক্লবা ফাওবদা করিগীদমক লৈঙাক্লা অচুম্বা পুথোক্লবা হোৎনদবনো। মীয়াম্বু ঙাক্লনবনি হায়দুনা লৈরিবা এ আরনা অতম্না কাঙলুপ অমগী মীচঙ চঙদুনা ঈরাং অসিদা তোংশিল্লে হায়বগী ৰাকৎ মায়কৈ পুম্নমক্তগী লাক্লবা ফাওবদা করিগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা এক্সন অমত্তা লৌখৎতবনো।

হোম মিনিষ্টরনা খুদক্তা লাক্তুনা য়েংশিনবগী মহুৎতা ঈং-তপ্পা নুমীৎ ২৬নি ঙাইরগা লাকপা অমদি হাৎন-শুনবা অসিবু খুদক্তা লেপ্পবা এক্সন ওরিয়েন্টেদ ওইবা থবক পায়খৎপগী মহুৎতা নুমীৎ থারগা চৎখিবগী মরম করিগীনো। নুমীৎ ১৫নিগী লোজিক করিনো। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঈরাং অসিগী মরমদা ঙসি ফাওবা ৰা অমত্তা হায়দবগী মরম করিগীনো। এক্স-গ্রেসিয়া খরা লাউথোক্লগা য়াগদৌরিব্রা। থা অমা হেন্না ঈরাং থোকহন্দুনা থম্বদগী মণিপুরগী মীয়ামগী থম্মোয়দা মীপায়-থবাইবা লৈহল্লিবা, কাঙলুপ মরক্তা চহী লিশাং শিংনা লৈহৌগদবা য়েংথিনবা মসিনা কাঙলুপ অনীগী মীওইশিংদা থোকহনগদবা খুদোংথিবশিংগী কম্পেন্সেসন কনানা অমদি করম্বা মওংদা পীগদৌরি। হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী লৈঙাক কনানা চলাইরি। ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিনা মীপুম খূদিংমক্কী থম্মোয়দা চিংনবা অমদি খোয়শাউনবা ফাওহল্লে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা থাজবা মাঙহল্লে। করিগুম্বা অরোনবা অমদি লৌতুনবা থবক খরা কনাগুম্বশিংনা মখোয়গী ওইজবা খরগীদমক ইরমদম অসিদা চথরব্রা হায়বগী ৰাহং মীপুম খূদিংগী থম্মোয়দা ফাওহল্লে।

থোক্লিবা ঈরাং তশেংনা কাঙলুপকী ঈরাংলা, করম্না হৌরক্লিবনো, কনানা থোকহনবনো, ঈরাং অসিগী মরুমদা কনা কনানা কেকু লোৎপী শান্নরি, কনা কনানা মৈ য়াংলি, মখোয়গী এজেন্দা করিনো অমদি ঐখোয়বু মাঙননবা শীল্লিবশিং অমসুং মখোয়গী খোঙবু কনা কনানো হায়বা ময়েক শেংনা খঙদোকপা মথৌ তারে। নুংশি-চান্নবা অমদি তংদু-লৈতাবা করম্না কনগদগে হায়বা চপ চাবা ফিরেপ অমা পুন্না লৌমিন্নবগী মতম অদু লাক্লে। তাবীরোইদবশিংদা কোয়তান তান্নদুনা হায়জবা হুরানবদা ৰাকৎপা, মশাগী ওইজবা ফংনবগীদমক ঐখোয়বু শান্নরিবশিং অমসুং ইরমদম অসিদা লৈরিবা মখোয়গী এজেন্টশিংদা থাজবা থম্বগী অপঙবা মতৌ অদু থাদোকপা মতম ওইরে হায়রি।

চুড়াচান্দপুর এরিয়াদগী ইপিসেন্টর ওইদুনা হৌরক্লিবা ঈরাং অসিগী মরমদা থিজিন্নবগীদমক লৈঙাক্লা কম্মিটি শেমখ্রে। অদুবু লুরিবদি কম্মিটি অসিনা কয়া য়াম্না অচুম-অরান ময়েক শেংনা থম্বা ঙমগদৌরিবা। থৌদোক অসিগী হৌরকফম, চেন্নবা মরাল লৈবা মীওই নৎত্রগা মীওইশিং, কাঙলুপশিং অমদি অতৈ-অতৈ মরী লৈনবা হীরমশিং মরিক চুম্না থম্বা ঙমগদৌরিব্রা। ঐখোয়গী ৰাখলদদি লৈঙাক্লা শেল্লিবা কম্মিটি অসিগী ফাইন্দিংশিং অদুনা মণিপুরগী মীয়াম পেলহনবা ঙমগনি থাজদে হায়রি।

ঈরাং অসিদা শোক্লিবা মীওইশিংদা পীননবা ঈ কৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা থোক্লিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কাঙলুপকী ঈরাং অসিদা অশোক-অপন য়াওরিবশিংনা শীজিন্ননবা ফম্বাল মল্টিপর্পজ কোওপরেটিভ সোসাইটি মণিপুরনা সোসাইটি অসিগী মেম্বরশিং অমসুং ভলন্টরি ব্লদ দোনর কয়াগা লোয়ননা ঙসি ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা জেনিমস হোস্পিটালগী ব্লদ বেঙ্কতা পাঙথোকখ্রে।

ঈ পীবগী থৌরম অদুগী মতাংদা সোসাইটি অসিগী সেক্রেটরি সোরাইশম প্রেমানন্দনা ফোঙদোরকখিবদা, ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি জেনিমস ব্লদ বেঙ্ককা খুৎশম্নরগা হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা থোকহন্নিংদবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা লান্দারকপদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা অশোক-অপন য়াওরকপশিং অসিদা শীজিন্ননবগীদমক ঈ কৎচবনি। কেম্প অসিদা নুপী য়াওনা পুন্না মেম্বর ১৮না ঈ পীখি। মতুং তারকপদসু ঈ কৎখিগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মৈতৈদা খুৎ থাবা য়ানিংদে

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস) : হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীচম-মীয়াম মরুওইনা মৈতৈ কম্যুনিটিদা চথরিবা লান অসি চুড়াচান্দপুরদা লৈরিবা চিন কুকিশিংনা লৈবা য়ানবা তৌনিং-তৌনিংবা য়ানবা চুড়াচান্দপুর অমদি মোরেগী মৈতৈ খুজোক খরা তকথোক্লবা হোৎনবদা মণিপুরগী চমজরবা কুকিশিংবু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরগা মৈতৈগী মায়োক্তা লান হৌদুনা চিন কুকি মিলিটেন্টশিংগী মথোং হুক্ত্রবা থৌওংশিংনা ঙসিদি মতম পুম্বদা অপূনবগী শক্তম কায়দনবা হোৎনবদা মৈতৈদা খুৎ থাবা য়ানিংদে।

মণিপুরদা লৈরিবা কুকিশিংনা মীতোপকী লাংদা থুদুনা অৱা-চৈথেং পীরি। মণিপুরগী কুকি নত্তবা কম্যুনিটিশিংনা খাঙদুনা লৈবগী পাঙ্গল লৈরক্ত্রবদা মণিপুরদগী চিন কুকি খক নত্তনা কুকি হায়বা ফুরুপ অসি মণিপুরগী লৈমায়দগী মুখৎকনি হায়বসিসু চিন কুকি অমদি মণিপুরগী কুকিশিংনা খঙনা লান লেপকন্দবনি। চিন কুকি মিলিটেন্টশিং মণিপুরদগী হনখ্রো হায়না তোকপা চীং দাইমন্দ ক্লবকী প্রসিদেন্ট সলাম গানধীনা ফোঙদোরক্লি।

মীতোপ চিন কুকি তান্থোক্তুনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়হনবীগনু : ওর্গনাইজেসন

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস) : কাঙলুপ মশেলদা নত্তনা অতোপ্পা লৈবাক্তগী লাকপা চিন কুকি অমদি মৈতৈ অনীগী মরক্তা হাৎন-শুনবা, লন-থুম মাঙহনবগী থৌদোকশিং অথুবদা ৰারোইশিন পুরকউ। লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিং মশা-মশাগী খুলদা লৈহনবীয়ু। মীতোপ চিন কুকি তান্থোকপীদুনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়হনবীগনু। টেরিটোরিএল বাউন্দরি নীংথিনা ঙাক শেনবীয়ু হায়না য়ং ৰিমেন হেল্প ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ শান্তিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরদা মৈতৈ অমসুং কুকিগী তমথীরবা হাৎন-শুনবা, য়ুম-কৈ মৈ থাবা, মীশি-মীনা, লন-থুম য়াওনা মাল-চাং কয়া মাঙহনবগী থৌদোক অসিগী হৌরকফমগী মতাংদা কুপ্না থিজিনবীদুনা মখা তানা থোক্লক্তনবা হোৎনবীয়ু। লৈঙাক্লা মালেমগী ওইবা ক্লাইমেট চেঞ্জ গ্লোবেল ৱার্মিংনা অরুবা ফীভমদা লাকপদগী উমং য়োকখৎনবগীদমক অমসুং মীওইবগী পুন্সি মাঙহনবা য়াবা পোপ্পী পান্বী থাবা য়াহন্দবা, য়ান্থৎপগী ঈহৌ কুকি মিলিটেন্টশিংনা টেররিষ্টকী শক্তম লৌরগা মৈতৈশিংগী য়ুম মৈ থাবা হৌরকপা, মণিপুরগী চীংয়া-তময়াদা লৈবা মৈতৈ মীচম কয়াগী য়ুম মৈ থাবা অমদি হাৎপা-তুপ্পা হৌরকপগী থৌদোক অসিদা কাঙলুপ অনীমক্কী ঙাক্লবা লৈবা অসাম রাইফলসনা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মীচঙ চঙবা হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুকিশিংদা মথৌ হাপ্পনি।

মীশি-মীনা কয়া থোকখ্রবা মতুংদা লাক্লম্বা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর লৈরিঙৈ অমসুং চৎখ্রবা মতুংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা হেন্না থৌনা ফনা মৈতৈশিংদা এট্টেক তৌরকখি। হোম মিনিষ্টর লৈরিঙৈদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা লেপ্পা লৈতনা মীচম মীয়াম হাৎপা তুপ্পগী থবক চথবা অমদি হোম মিনিষ্টরনা রিলিফ কেম্প কয়াদা চৎতুনা অৱা-মীরাওখোল খঙলবসু অথুবদা কাঙলুপ অনীমক নেমথনবা ৰারোইশিন পুরক্লমদনা মতম শাংনা থারম্বা অসিনা কাঙলুপ অনীমক হাৎতোক্লৌ হায়বগা চপ মান্নরে। লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টরনসু ৰা অমত্তা ঙাংদবসি মণিপুরদা মরুওইনা মৈতৈবু মুখৎনবনি।

কাঙলুপ কয়া লৈবা ইন্দিয়ানা কাঙলুপ মচা মুখৎনবা নমথনবা থৌওংনি হায়দবা ঙমদে। মণিপুর লৈঙাক্লা রিজার্ভ ফোরেষ্ট ঙাক্তুনা থম্বা অমদি তুংগী য়ুন্বীরেল ওইগদবা নহা কয়াগী পুন্সি মাঙননবা মচাক ওইরিবা পোপ্পী পান্বী থাবা য়াহন্দবা অসি অফবা খোঙথাংনি হায়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা খনফম থোকপগী মহুৎতা অতোপ্পা লৈবাক্তগী লাকপা চিন কুকিনা লমদম অসিদা লৈবা কুকিশিংগা মান্নরগা টেররিষ্টশিংকী থৌওংদা থবক পায়খৎলিবসি ইন্দিয়া অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অথুবদা ৰারোইশিন পুরক্তুনা থিংগদবনি হায়রি।

মৈতৈ ইমা-ইবেল অমদি ইচে-ইচলশিংদা কে কে এলনা আপীল তৌরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস) : ঐখোয় হৌজিক লানগী ফীভমনি লৈরিবসি। লানগী পুঙজাও থিনখ্রবনি। ইশা-ইশানা অমদি ঐখোয়না লৌগদবা ফিরেপ লেপ্পরসি। চঙশিল্লিবা লান অসিদা ঐখোয় মৈতৈ নুপী খুন্নাইনা করি তৌগদগে হায়বদু লেপ্পসি হায়না কংলৈপাক কনবা লূপ (কে কে এল) মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল লুৰাংচা য়ুঙমখৈঙাকপনা থাদোরকপা চেরাল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইমা-ইবেলশিংনা খুৎতা খুৎলায় পায়রগা লান চঙবীয়ু হায়জবা নৎচদে। অদুবু লান চঙলিবা ইচিল-ইনাওশিং অদুগীদি ঐখোয়না মখোয়গীদি অচা-অথক খরদি শীনবীবা য়াই। চেঙপাক, চিনি অঙাঙবা মতুম অমমমগী চয়োম শেম্বীবা য়াই। লৈকায় লৈকায়গী ওইনা অদুগা লান থেংনরিবা মৈতৈ পাথৌশিংদা য়ৌহনখিবদা লানগী মতেং য়াম্না ওইগনি। নেপোলিয়ন বোনাপার্টনা হায়বীরম্বা এন আর্মি মার্সেস ওন ইটস ষ্টোমাস হায়বদি লাম্মী হায়বসি মখোঙনা চৎপা নত্তে মবুক্লা চৎপনি। মবুক হাংলবা লাম্মী অমনা কুইনা লান শোক্লবা ঙল্লোই। ৰাফম অসিমসু নীংশিংজরি মদুদি অমেরিকাগা ভেটনামগা লান শোক্লরিঙৈ মতমদা ভেটনামিজ নুপীশিংনা মনঙ্গলদা নোংমৈ য়ান্দুনা ফৌ লিংদুনা মখোয়গী ভেটনামগী সিফাইশিংগী চানবা চাক শোয়দনা হোৎনখি। মদুমক্লসু ভেটনামনা লান অদু চাউনা মায় পাকখি।

মরম অদুনা ঙসি ঐখোয়না শিল্পা লেপ্পুনা ৰাকৎ মীফম ফমদুনা মৈরা রেল্লি চৎতুনা মতম মাঙহনবগী মথৌ তাদ্রে। মদুগী শরুকপুদি ঐখোয় ঐখোয়গী শিনফমদা ফজনা পুক্লিং চঙদুনা নোংমগী শিল্পা পাঙলগা ইশাগী থবক তৌদুনা ফৌথোক পুথোক্তুনা অমদি ফর্ষ্ট এইদকী অচম্বা কাঙলোন অমা তমশিন্দুনা ঐখোয়গী লাম্মীশিংগী অশোক-অপন য়াওরকপা মতমদা মতেং পাংনবা শেম-শাবনা হেন্না ফগনি অমদি লান মায় পাক্কনি হায়রি।

তেংবাঙবীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস) : লমদম অসিদা থোক্লিবা তমথিরবা ঈরাং অসিদা কুকি মিলিটেন্টশিংগা থেংনবদা নোংমৈ মরুনা পানবদগী শাথিনা শোক্লবা মীওই তরুক কৃপাদাসিনি এদভান্স হোস্পিটাল পেলেস কম্পাউন্দদা পুখৎলকপদগী লায়কন্ননবা হোৎনবদা হোস্পিটাল অসিগী নাক-য়েৎতা লৈবা মৈরা পায়বীশিং, মচা লৈমগী মেম্বরশিং, হোস্পিটাল অসিগী ন্যুরো সর্জনগী টিম অমদি ও বি সী ক্লবকী মেম্বরশিংনা শেলগী মতেং পাংবীরকপগীদমক হোস্পিটালগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না এদমিনিষ্ট্রেসন ওফিসর শান্তিকুমার শর্মাগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অশোকপশিং অদুগী মনুংদা মরিদি খোঙগী শরুক্তা নোংমৈ মরুনা পানবদগী শরদ য়াওনা শোকখিবনি। পুলিস পর্সনেলশিং য়াওনা অশোকপশিং অদু হোস্পিটাল অসিগী ওর্থোপেদিক্কী ডোক্তরশিংনা ওপরেসন তৌরবা মতুংদা ফীভম ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। অদুগা মখোয় মরিগী মনুংদা হৈরোক্তগী নুপা অমদি য়েৎথংবা থবাক্কী শরুক্তা মাঙলোমদগী নোংমৈ মরুনা পাল্লগা নঙ্গললোমদা ফাওদোকখিবনি। ফীভম লুনা পুরকপদগী হোস্পিটাল অসিগী কার্দিও থোরাসিক্কী সর্জনশিংনা ওপরেসন তৌদুনা লংসতা অহুম থোক্লা লৈরম্বা অহোবশিংদু মেনশিনখি। লায়েংবদা চঙখিবা ঈ রিমস ব্লদ বেঙ্কনা লেম্না পীবীরকখি হায়রি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী দিভিসিব পোলিসিনা লমদম অসি তংদু লৈতাহন্দবনি : নিপকো

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী দিভিসিব পোলিসিনা লমদম অসি তংদু লৈতাহন্দবনি হায়না নেসনল আইদেন্টি প্রোটেক্সন কাউন্সিল (নিপকো)গী সেক্রেটরি আই আর শিন্থাঙম্বা লাইশ্রমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা লমদম অসিগী ঙমখৈ অমদি মীচম মীয়াম্বু ঙাক শেন্দুনা হান্নগী পুন্সি লম্বীদা অমুক হল্লক্লবা হোৎনরিবা লমদম অসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী মনুংদা বোদি অমা ওইরিবা কোকোমি শেম্বদা নিপকোসু য়াওরিবা লুপ অমা ওইবনা মতম পূম্নমক্তা কোকোমিনা লৌরকপা ৰারেপ অমদি চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদসু মপুং ফানা শৌগৎকনি। কোকোমিনা মতম মতমগী ওইবা লৌরকপা ৰারেপ অমদি খোঙজংশিংদা নিপকোগা চৎমিন্নরিবা লুপ খুদিংমক্লা শৌগৎকনি। লোয়ননা মীয়াম্নসু অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নসি হায়রি।

হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা খুৎ লোৎতুনা লৈবনা লৈবাক অসিদা ঈং-তপ্পা হল্লকহনবা ঙল্লোই। কাঙলুপ নাইনা হাৎতোক্লহল্লিবা অসি লেপহন্নবা ঈং-তপ্পগী ৰারী শান্নরিবা লালহৌবশিংবু, য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লিবা মণিপুরগী মরি অসি থুগায়নবা শিল্লিবা অসি খুদক্তা লেপকদবনি। মীওইবগী মীনুংশি য়াওদনা মীচম মীয়ামদা খুৎ থারিবা কুকি লালহৌবশিং অসিগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা মখোয়বু ৰারকফম থোক্লে। লৈবাক অসিগী য়াম্না মরুওইবা লম্বীশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইম্ফাল দিমাপুর রোদ অসি থা অমা হেন্না কাঙলুপ অমনা শুপ্নতগী কাংপোকপীগী মফমশিংদা থিংদুনা থমখিবদা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা অথিংবা অসি লৌথোক্লবা হোৎনদে। মসিগী তাইয়োন্নবদা কুকি লুপ খরদা লম্বী অসি হাংদোকপীনবা হায়জদুনা লৈরি। মসিমক্লা কুকিশিংদা নাউ চাওহনবা অদুগা মৈতৈশিংদনা শাওনিংবা পোকহন্নবা শিনবনি হায়না লৌই। লম্বেল অসি করিগী খুদক্তা হাংদোক্লবা হোৎনদ্রিবনো হায়বসি মণিপুরগী হোম মিনিষ্টর অমদি ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টরনা মীয়ামদা শেংদোকফম থোকই।

হন্দক্কী থৌদোকশিং অসিদা এ আরগী সী ও নৎত্রগা ওফিসর অমনা ৰারেপ লৌবা ঙমদে। মখোয়না তৌরিবসি ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেয়র্সকী য়াথং য়াওদনা তৌবা য়াবা নত্তে। ঈরাং অসি ইন্দিয়ানা মণিপুরগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা খুন্নাইগী মরী অসি থদৎনবা কাঙলুপ-কাঙলুপকী মিংদা খুৎ থোকহন্দুনা নুংশিনদনবা শীনবা থৌওংনি হায়বসি ইফোং ফোঙলবা ৰাফমনি। পি দি এফ ইন্দিয়াগী লাম্মীনা ট্রেনিং তৌই হায়বসু খঙই হায়রি।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস) : ঈরাং অসিনা অৱা-অনা তারবা মফমশিংদা মতেং পাংদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা শীংজমৈ চীংঙামথক্তা লৈবা ঙাক্রবা লৈরক দিভেলপমেন্ট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টনা লুচিংবা টিম অমনা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা খেয়া ফুজুগী খুঞ্জাশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পোৎ-চৈ খুৎশিন্নবা অদুগা মরী লৈননা হৌখিবা মে ২৮দা লৈতানপোকপীগী সাদৌ লম্পাক্তা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী লৈখিদ্রবা খুল অদুগী থাংজম লেম্বা অমদি শোক্লবা থাংজম জেটলিগী ইমুং-মনুংদা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী অঙম্বা শেলগী মতেং পাংখি। লোয়ননা চুড়াচান্দপুরদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা য়ুনাইটেদ কোচিন ক্লব সাইতোন ওক্লোংবুং অপ্পর প্রাইমারী স্কুল অমদি লোক্তাক খৃষ্টিয়ন মোদেল হায় স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদসু চান-থক্লবা অমদি ফিরোলশিং তেংবাঙখি।

ইমা-ইবেলশিংনা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস) : নম্বোল বজার ৰিমেন ভেন্দর এসোসিএসন য়াওনা মায়কৈ অসোমগী নুপী কয়ানা শরুক য়াদুনা কোন্থৌজম অৱাং লৈকায়দা লৈবা আই পি আর এন্দ হেল্থ মিনিষ্টর ডা. এস রঞ্জনগী য়ুমদা চৎতুনা মহাক মশামক্তা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়রি।

মেমোরেন্দম পীশিনখিবা অদুদা শরুক য়াখিবা ইমা-ইবেলশিংনা হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনখি। মিনিষ্টরনসু মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌগনি হায়বগী থাজবা পীরকখিবগা লোয়ননা ঈং-তপ্পা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী ৰারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়না আপীল তৌরকখি। মেমোরেন্দম অদুদা কুকি মিলিটেন্টশিংগা তৌনরিবা সূ খুদক্তা লৌথোক্কদবনি, এম এল এগী চপ চাবা ফিরেপ মীয়ামদা খঙহনগদবনি, কোম্বীং ওপরেসন কুকি মিলিটেন্টশিংনা লৈবা মফমশিংদা হান্না তৌগদবনি হায়বা ৰাফমশিং য়াওরি।

কোনাইতোং মরিংগী খুঞ্জাশিংনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস) : অৱাবা তারবশিংবু মতেং পাংবীবা অমদি নুংশিনবনা অথোইবা লাইনিং হায়বগী পান্দমদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী কোনাইতোং খুলগী মরিং ফুরুপকী খুঞ্জাশিংনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চীংদা ফংবা মনা-মশিং অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে।

ঙসিগী তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা রিলিফ সেন্টরশিং অদুদি হৈরোক এ সীগী এম এল এ ডা. থোকচোম রাধেশ্যামগী মীৎয়েং মখাদা হাংলিবা হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুল রিলিফ কেম্প, পাইওনিয়র ক্লব ৰাংজিংগী রিলিফ সেন্টর অমসুং ৰাংজিং কোদোম্পোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদনি। চীংদা ফংবা মনা-মশিং অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং অদুবু য়েন্থোক্লদুনা কোনাইতোং খুল মৈরা পায়বীগী সেক্রেটরি তাঙোসিম তেহসিলনা ফোঙদোকখিবদা, হন্দক থোক্লিবা ফুরুপ অনীগী উংখৎনবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। ঐখোয় মশেল য়েংথিনবনা করিসু কান্নবা পুরকপা ঙল্লোই। থোক্লিবা ঈরাং অসিদা মরিং ফুরুপতি য়াওদে হায়দুনা তুমীন্না য়েংদুনা লৈশিনবগী মহুৎতা অৱাবা তারবা মীয়ামগীদমক অঙম্বা মতেং পাংসি, নুংশিনবনা অথোইবা লাইনিংনি হায়দুনা চীংদা ফংবা মনা-মশিং অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং অসি য়াম্বা য়ামদবা থিদনা মতেং পাংজবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়খি, হৈরোক এ সীগী এম এল এ ডা. থোকচোম রাধেশ্যামগী মীৎয়েং মখাদা রিলিফ সেন্টরশিং হাংদোকপীদুনা থোক্লিবা ঈরাং অসিনা মরম ওইদুনা অৱাবা তারবশিংগী মতেং পাংবীবগী থবক অসি উবদা নুংঙাইবা ফাওই। মহৌশাগী পুন্সিদা অমুক হঞ্জিল্লক্তুনা ঈং-তপ্পা, তংদু লৈতাবা ফীভম অদু লাক্তুনা ঐখোয় পুম্নমক নুংঙাইনা নুংশি-চান্ননা লৈবা ঙম্ননবা তাইবংশেন্বীবা মপুদা ঐখোয় পুন্না থৌনিজসি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনসু অথুবা মতমদা লৌখৎফম থোকপা থবক থৌরমশিং লৌখৎপীদুনা থোক্লিবা কাঙলুপ অনীগী ঈরাং অসি মখা তানা থোক্লক্তনবা অমদি তুং কোইবা ৰারোইশিন পুরকপা ঙম্নবা হোৎনবীয়ু। মদুনা ইরমদম মণিপুর অসি চাউখৎপগী লম্বীদা মাঙজিল থানা চৎপা ঙমগনি হায়খি। তেংবাঙবীরকপগীদমক রিলিফ সেন্টরগী কনভিনর লাইশ্রম জাদুমনিনা কোনাইতোং খুলগী খুঞ্জাশিংবু থাগৎখি।

[illegible]

[illegible]

মীফম পাঙথোক্তুনা ৰারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস) : জমীঅতুল উলামা মণিপুরগী হেদ ওফিস বাবুপারা মসজিদতা জমীঅৎ অসিগী মজলিস আমিলাগী মীফম অমা মোহম্মদ সহিদ অহম্মদনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোক্তুনা মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা মীপুম খূদিংমক তংদু লৈতাদবা, হীরম খূদিংমক্তা অৱাবগী ফীভমদা লেল্লিবা পুন্সি মরেল অসি কোক্লনবা ৰারোইশিন অমা পুরক্লবা লৈঙাক্তা হায়জনবা ৰারেপ লৌখ্রে হায়না জমীঅৎ উলামা ঈ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি মৌলানি শাফিউল্লাহগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়ানা মরম ওইদুনা শোকখ্রিবা, মাঙখ্রিবা লন-থুমশিং অসিগী মতিক চাবা তেংবাঙসু লৈঙাক্লা অথুবদা পীবীনবা অমদি লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংসু মশা-মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা আপীল তৌখি।